**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 10-02-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ভিক্সিত ভারতকী ৱাখল্লোন্না মণিপুরবু হেন্না চাওখৎহন্নবগী মাইকৈদা চিংশিনবীরি।

২) লীতানদা ঙসিসু নোংমৈ কাপখি, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইরাং লাকশিন্নবা হোৎনরি, উখ্রুল জিলাদা ইন্তরনেট থিংখ্রে।

৩) উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখোবু মহাক্কী দল এন.পি.এফনা হরাউ তয়ামা ওকখ্রে।

৪) চোইনা খুন্দাখ্রবা মণিপুরীশিংগী মীফম- মণিপুরী নেসনেল দাইসপোরা মিট ঙসি ত্রিপুরাগী আগরতালাদা পাঙথোকখ্রে।

অমসুং

৫) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা লৈবা রাষ্ট্রপতি ভবনদা তোঙান তোঙানবা ত্রেনি ওফিসারশিংগা উন্নখ্রে।

------

এয়ারপোর্ট (এল)ঃ ইম্ফালদগী গুৱাহাতি-কোলকাতা অমদি মুম্বাইদা পাইগদবা স্পাইস জেটকী ফ্লাইট সার্ভিস ঙসি মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টতা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ভিক্সিত ভারতকী ৱাখল্লোন্না মণিপুরবু হেন্না চাওখৎহন্নবগী মাইকৈদা চিংশিনবীরি। মহাকা হায়- পেসেঞ্জর বস তোংদুনা মণিপুরগী মপানদা চৎনবা হোৎনবদা মীয়ামা খুদোংচাদবশিং থেংনরিঙৈ মতম অসিদা স্পাইস জেটনা মখোয়গী ফ্লাইট সার্ভিস লৈহল্লকপা অসি থোইদোকা থাগৎনিঙাইনি। অনৌবা থৌরাং অসিনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি। অদুমওইনমক, এরোপ্লেন তোংবগী ভারাসু য়ামা ৱাহন্দনবা মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা লোক সভাগী এম.পি. ডাঃ অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা স্পাইস জেটপু মখোয়গী সর্ভিস হৌদোকপগীদমক থাগৎপা ফোংদোকখি।

লীতান (এল)ঃ উখ্রুল জিলাগী লীতানদা কাংলুপ অনিগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক লাকশিন্দুনা শান্তি পুরকবা সরকারনা অকনবা থবক পায়খৎলিঙৈ চৈরক্তা ঙসি অয়ুক য়ুম মৈ থাবা অমদি নোংমৈ কাপবগী থৌদোক থোকখ্রে। মফম অদুদা, সেক্যুরিতি ফোর্সকী অহেনবা কাংবু চংশিন্দুনা ইরাং লাকশিন্নবা হোৎনরি।

লীতানগী থৌদোক অসিগী মতাংদা অরানবা পাউ শন্দোকপা থিংনবা অমদি মখা তানা ইরাং থোক্তনবা মণিপুর সরকারনা উখ্রুল জিলা পুম্বদা মোবাইল দেতা সার্ভিস য়াওনা ইন্তরনেট দেতা সার্ভিসশিং নুমিৎ ৫ নি থিংজিনখ্রে।

অমরোমদা, হৌখিবা অহিং নোংয়াই মতুং ঙসি অয়ুক অঙনবদা কাংপোকপী জিলাগী মনুং চন্না লৈবা কে.লুংৱিরাম খুলদা মৈ চাকপগী থৌদোক অমা থোকখ্রে। পুলিসকী পাউনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা মৈ চাকপা অদু কনবা ঙমখি। অদুমওইনমক, মৈ চাকপা অদু কমদৌনা থোরকখিবনো হায়বা চপ চাবা খঙবা ঙমদ্রি। কোন্সারম ভিলেজ ওথোরিতিনা থোকখ্রিবা মৈ চাকপগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা খুল অসিদা সেক্যুরিতি ফোর্স মতিক চানা থম্বিনবা তকশিনখ্রে। কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কাংবুনা খুল অদুদা মখা তানা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্তনবা চেকশিল থৌরাং কয়া লৌখৎখ্রে।

দিখো (এল)ঃ উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখোনা হায়রি- লিতানগী থৌদোক কনানা থোকহনবনো হায়বদু হৌজিকমক্কী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। চেন্নবশিং খঙদোকবা কন্না হোৎনরি।

ইম্ফাল হোটেলদা ঙসি নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন.পি.এফ) মণিপুর ষ্টেট য়ুনিতনা শিন্দুনা শ্রী লোসি দিখোনা উপ-মুখ্য মন্ত্রি ওইরকপবু তরামা ওকপগী থৌরমগা মরী লৈননা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা শ্রী দিখোনা হায়-মফম অদুদা হৌজিক শান্তি পুরকবা মীয়াম পুন্না হোৎনরি। মীয়াম অমদি ষ্টেকহোল্ডরশিং গ্যান তাহন্দুনা ইরাং থোক্তুনবসু হোৎনরি। অথুবা মতমদা ইরাং অসি লাকশিনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মহাকা হায়- ঙরাংগা য়েংনরুবদা ঙসি ফিভম খরা ফগৎলে হায়রবসু উংখৎনবগী ফিভম অমদি খরা খরা লৈরি। মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ মফম অদুদা চত্তুনা য়েংশিল্লবা য়াই।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা শ্রী দিখোনা হায়- এন.পি.এফকী মীৎয়েংদি লমদম অসিদা শান্তি পুরক্তুনা জাতি কাংলুপশিংগী মরক্তা ভাব তান্নদবা লৈরিবশিং কোকহনবনি। এন.পি.এফনা লমদম অসিদা শান্তি পুরকবা থৌদাং কয়ামরুম লৌদুনা লাক্লি হায়রদুনা শ্রী দিখোনা হায়- এন.পি.এফনা কৈদৌনুংদসু হিংশাগী থবক থৌওংশিং শৌগৎলোই। দল অসিনা লমদম অসিদা শান্তি অমসুং চাওখৎপা পুরকপা হায়বসিদা অচেৎপা ফিরেপ লৈ। নাগা ফ্রেমৱার্ককী মতাংদা মহাকা হায়- ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অসি দল অসিগী মরুওইবা এজেন্দানি মসিবু শৌগৎলি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এন.পি.এফ মণিপুর ষ্টেট য়ুনিতকী প্রসিদেন্ট অৱাংবৌ নিউমাইনা হায়- নুংশিনবা লৈত্রবদি কৈদৌনুংদসু শান্তি পুরকপা ঙমলোই। পুন্সিগী মমল খঙনা চৎপগী তঙাহফদবা লৈ। মহাকা হায়- মীওই অমনা মীওই অমবু ব্যবহার তৌদ্রবদি মখা তানা ইরাং থোক্তুনা লৈগনি। শান্তি পুরকবা হোৎনবদা মীপুম খুদিংমক্কী চাউরবা দাইত্ব লৈ। অমনা অমবু মরাল শিন্নদুনা লৈবগী মহুৎতা মশা মশানা দাইত্ব লৌবা ঙম্বগী থৌনা অদু লৈরবা মতমদতা শান্তি লৈবা ঙমগনি। শ্রী অৱাংবৌনা হায়- ঐগী ঐগী অপান্বা থবক তৌরকপা মতমদা অতোপ্পা মীওইশিংদা শোকপা শোক্তব্রা হায়বদু খন্থবগী

তঙাইফদবা লৈ। ঙসিগী থৌরমদুদা এন.পি.এফকী এম.এল.এশিং, মেম্বরশিং অমদি জিলা জিলাগী য়ুনিতশিংগী লুচিংবশিং শরুক য়াখি।

য়ুসিএম (এল)ঃ  মণিপুরী নেসনেল দাইসপোরা মিট ২০২৬ ঙসি ত্রিপুরাগী আগরতালাদা লৈবা সহিদ ভগৎ সিংহ য়ুথ হোষ্টেলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

য়ুনাইতেদ কমিতি মণিপুর (য়ু.সি.এম)না শিন্দুনা মণিপুরী কাউন্সিল ত্রিপুরা অমসুং ত্রিপুরা মণিপুরী ষ্টুদেন্ট য়ুথ কোওর্দিনেসন কমিতিনা য়ুম্নু ওইদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুগী মতাংদা য়ু.সি.এমগী প্রসিদেন্ট ৱাই.কে. ধিরেন্না হায়- পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা মণিপুরগী ৱাংমদা মপুং ওইনা অৱাং নোংপোক লমদমদা চোইনা খুন্দাখ্রবা মণিপুরীশিং পুনশিন্দুনা, ৱাখল লৌশিং পুথোকদুনা শিংনরকপা খুদিংমক থেংনমিন্ননবা অমদি হেন্না চাওখৎপগী মাইকৈদা চংশিনবা ঙমনবা মীফম অসি পাঙথোকপনি। খোঙথাং অসিনা মালেমগী অরিবা য়েলহৌ ফুরুপ অমা ওইরিবা ঐখোয়গী পুন্সি অমদি নাৎ চৎনবীনচিংবদা শিংনরকপা কয়া থেংনমিন্নবা ঙমগনি। মহাকা হায়- মখোয় মখোয়না লৈরিবা রাজ্যশিং অদুদা মণিপুরীশিংগী ফজরবা ৱাখল্লোনশিং হেন্না খঙহন্দুনা লমদম অদুগী চাওখৎ থৌরাংদা শরুক য়াদুনা ঐখোয়গী চাং লেম্বা অমদি ফজবশিং হেন্না খঙহন্নবা হোৎনগদবনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী হান্নগী মেম্বর ঙাংবম নোংয়াইনা হায়- দাইসপোরা মিট অসিনা মণিপুরীশিংগী মরক্তা অপুনবগী শক্তম অমা শাগৎতুনা মালেমগী অতৈ ফুরুপশিংগা মরুপ মপাং ওইনা অমগা অমগা তেংবাংনদুনা ইজৎ লৈনা চাওখৎপগী মাইকৈদা চংশিনবা ঙম্লগনি।

থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

সেন্সস ঃ  মণিপুরদা মীকোক থীবা অমদি দিলিমিতেসনগী থবক পায়খৎত্রিঙৈদা স্পেসিয়েল ইন্টেন্সিভ রিভিজন (এস.আই.আর) হান্না তৌবীয়ু হায়না রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুদা ফেদরেসন ওফ হাওমিগী মাইকৈদগী অইবা

চেরোল অমা থাদুনা তকশিনখ্রে। ঙসি ইম্ফালদা লৈবা ফেদরেসন ওফ হাওমিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট শাপমচা জাদুমনিনা হায়- লৈবাক অসিগী অশেংবা নাগরিক খক্তনা ভোৎ থাদনবগী থৌরাং ওইনা এস.আই.আরগী থবক অসি য়ুনিয়ন তেরিতোরি অহুম অমদি রাজ্য ৯ দা হৌখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা পুন্না ভোতর কোতি ৬ মখায় হেন্না অরানবা মওংদা হাপচিল্লম্বদগী মখোয়শিং অদু ভোতর লিষ্টতগী লৌথোকখ্রে।

শ্রী জাদুমনিনা মখা তানা হায়- মণিপুরগুম্বা লৈবাক অসিগী ঙমখৈদা লৈবা অপিকপা রাজ্য অসিদা নারোলদা মীওই কয়া চংশিল্লক্তুনা লৈবাক অসিগী নাগরিকনি হায়বা তাকবা শক্তাকচে পায়রম্বা থেংনখিবা লৈখ্রে। মরম অদুনা রাজ্য অসিদা এস.আই.আরগী তঙাইফদবা লৈ হায়বা ৱাফম অসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা অইবা চেরোল অদু রাষ্ট্রপতিদা থাদুনা তকশিনখিবনি।

ইন্তরনেট (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না নেসনেল ইনফোর্মেতিক্স সেন্তর (এন.আই.সি) ইম্ফাল ইষ্টনা পুন্না শিন্দুনা জিলাগী থাক্তা সেফর ইন্তরনেট ডেগী থৌরম ঙসি লমলোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী এদ্দিসনেল দিপ্যুতি কম্মিসনার ডাঃ এম. জোনসন য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

সেফর ইন্তরনেট ডেগী থৌরম ঙসি চান্দেলগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী কনফরেন্স হোলদসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা খেংজোইগী এস.দি.ও য়াওনা অখঙ অহৈ কয়ানা ইন্তরনেট শিজিন্নবা অমসুং এ.আইগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

অমরোমদা, উখ্রুল হায়র সেকেন্দরি স্কুলদসু ঙসি সেফর ইন্তরনেট ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অখঙ অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

থৌবাল জিলাদসু ঙসি সেফর ইন্তরনেট ডেগী থৌরম পাঙথোকখি।

এআর (এল)ঃ  অসাম রাইফলসনা কাংপোকপী জিলাগী মনুং চন্না লৈবা সোংলোং ভিলেজদা লৈবা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংদা চান-থকবা য়াওনা পোৎলম কয়া মতেং পাংখ্রে। খোঙথাং অসি ফোর্স অসিনা মীওইবগী মীনুংশি য়েংদুনা পায়খৎপা থবকশিংগী মনুং চন্না পাঙথোকখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, কাংলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশিনবা হেনগৎহন্নবা অমসুং ঙাকশেলগী থবক ফগৎহন্নবগী পান্দমদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ৱাইনেমগী মৈরা পায়বীশিং, থরোইজম অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী ওজা, খুলগী লুচিংবশিং অমদি থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী মীহুৎশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে হায়রি।

কনফরেন্স (এল)ঃ  মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী বাইও টেকোলোজি দিপার্টমেন্টকী কনফরেন্স হোলদা চঙ্খরকপা রিসেন্ট ত্রেন্দস ইন বাইওটেকোলোজি: এ মল্টি দিসিপ্লিনরি এপ্রোস হায়বা জাতি থাক্কী মীফম ঙসি লোইশিনখ্রে। কনফরেন্স অসিদা মপান লমদগী লাকপা এক্সপার্ট কয়ামরুম শরুক য়াখি ।

মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী বাইও টেকোলোজি দিপার্টমেন্টনা অনুসন্ধন নেসনেল রিছার্স ফাউন্দেসন অমদি সি.এস.আই.আর ইন্দিয়াগা খুৎশমদুনা মীফম অসি ঙরাংদগী চঙ্খরকপনি।

লেবর (এল)ঃ  মণিপুরী লেবর য়ুনিয়নগী খন্ন-নৈনবা মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়ামরুম লৌখি। ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা- মণিপুরী লেবর ইনভেষ্টমেন্ট বেঙ্ক অমা শাবীনবা তকশিনবা য়াওরি।

লম্বী (এল)ঃ  পাৎশোই কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা লৌক্রাকপম লৈকাই অমসুং মাইবী লৈরক্কী মফমশিংদা নৌনা কোইলাস থাদুনা লম্বী শেম্লকপদা নৈনশঙ ক্লবনা এম.এল.এ শাপম কুজকেশ্বরবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

পেন্সন (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা ঙসি পৌরাবীদা লৈবা জেম পাব্লিক স্কুলদা পেন্সন কার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা নেসনেল ওল্ড এজ পেন্সন, ষ্টেট ওল্ড এজ পেন্সন অমদি ৱিদো পেন্সন্নচিংবগী কার্দশিং অপদেট তৌদুনা য়েন্থোকখি। ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিসরে দব্লিউ. থামাবতি য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা লৈবা রাষ্ট্রপতি ভবনদা তোঙান তোঙানবা ত্রেনি ওফিসারশিংগা উন্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা ইন্দিয়ান সিভিল এক্কাউন্টস সার্ভিস, ইন্দিয়ান দিফেন্স এক্কাউন্টস সার্ভিস, ইন্দিয়ান পোষ্ট এন্দ টেলিকোম এক্কাউন্টস এন্দ ফাইনান্স সার্ভিস অমসুং ইন্দিয়ান রেলৱে মেনেজমেন্ট সিষ্টেম (এক্কাউন্টস)কী ত্রেনিং তৌরিবা ওফিসারশিং য়াওখি।

তুংদা রাষ্ট্রপতিনা হায়- ফরিদবাদতা লৈবা অরুন জেটলি নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ ফাইনান্সিয়েল মেনেজমেন্টতা চত্থরিবা প্রোফেসনেল ত্রেনিং কোর্সতা শরুক য়ারিবা ওফিসারশিং অসিনা ত্রেনিং লোইদুনা থবক তৌরকপা মতমদা মীয়ামগী খনদুনা থম্মোয় শেংনা থবক তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

পোলোঃ মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা অনিশুবা ডাক্তর কে.এস.ঐচ. চৌরজিৎ সিংহ্ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট পোলো টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- এক্স-পোলো ক্লব ৱাংখৈনা ইবুধৌ মোইরাং থাংজিং পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১৩-২ দা থোইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা থাংমৈবন্দ য়ুথ পোলো ক্লবনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবপু পাঞ্জল ৫-৪ দা থোইখি ।

ফুটবোলঃ এস.এফ.সিনা ১৯ শুবা দি.এস.এ ত্রোফি ২০২৬ কী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এস.এফ.সি সোরানা এস.দব্লিউ.সি কৈরকপু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইদুনা ত্রোফি অসিগী মপু ওইখিবনি।

ফুটবোলঃ গোল্ডন এফ.সি ক্যামগৈনা হিদাম ধননজয় মৈতৈ মেমোরিয়েল ফার্স্ট ষ্টেট লেবেল ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৬ কী মপু ওইখ্রে। ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা গোল্ডন এফ.সি ক্যামগৈনা দি.ৱাই.সিবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী মেন ওফ দ মেটচ অমদি অহানবা স্কোরর গোল্ডন এফ.সিগী বোরিস তাখি। বেষ্ট প্লেয়ারনা উফোল এফ.সি-টিম-বিগী দিংকালনা তাখি।

ফুটবোলঃ এল.এম.এল.সি.সি লাংমৈদোংগী মীৎয়েং মখাদা চথুরিবা ৬ শুবা ভিলেজন লেবেল ওপন ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এরো এফ.সি. ককচিং খুনৌনা য়াইসা ককচিং এফ.সিবু পাঞ্জল ৫-২ দা থোইখ্রে। ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা দব্লিউ.এফ.সি ৱাইখোংনা এল.এম.এল.সি.সি লাংমৈদোংবু পাঞ্জল ৩-১ দা অমদি হৈবোং মখোঙ এফ.সি উচিৱানা তোমো এফ.সিবু পাঞ্জল ৬-১ দা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা চথুরিবা ১৩ শুবা টি-ত্বেন্তি মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা রেজ নাগামপালনা বি.এস.সি টিম-এবু রন ৩ দা থোইখ্রে। অনিসুবা মেটচতনা ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালনা য়ু.সি.সি উরিপোকপু ৱিকেট ৩ দা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু. প্রহ্লাদা এন্দ ডব্লিয়ু. রামানন্দা ইলিট ত্রোফি-২০২৫-২৬ কী ওইনা ঙসি মোদেল হয়ার সেকেন্দরি এন্দ ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা- রেজ খ্বাই নাগামপাল লমাবম

লৈকাইনা এস.সি.সি.সি শিংজমৈ থোংঙাম লৈকাইবু রন ১৪৭ তা থোইখ্রে।

লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা আর.সি.এ লিলোংনা ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালবু ৱিকেট ১ দা থোইখি।

থৌবালগী মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচতনা ই.এস.য়ু ৱাংখৈ পেলেস কম্পাউন্দ অমসুং কে.সি.সি কোংবা বজার টাই তাখি।

ক্রিকেট ঃ উরিষাগী বরাবতি ষ্টেদিয়মদা চথুরিবা সেনিয়র ৱিমেন্স ৱান ডে ট্রোফি প্লেট ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ভিজোরমনা মণিপুরবু ৱিকেট ৬ তা থোইখ্রে।

------